# মণিপুরগী অহানবা এম এ দ্বিজমনি দেব শর্ম্মা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

নেসনলগী থাক্তা ইংলিস লোলদা ফোঙবা পাউচেশিংদা ঐখোয়না শান্ন-খোৎনবগী পাউশিং থৱায় য়াওনা পাবা মতমদা ৱাহন্থোক খঙদবা ৱাহৈ কয়ামরুম য়াওই। অদুবু ৱাহৈশিং অদুগী ৱাহন্থোক খঙনবা দিক্সনারি য়েংবসু তৌদে। মীঙোন্দা হংদুনা খঙনবসু হোৎনদে। অদুবু মরক মরক্তা ৱাহন্থোক নিংথিনা খঙদবা য়াদবা ৱাহৈশিং য়াওরকপদা দিক্সনারি শীজিন্নে। অহানবদা ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা শীজিন্নরম্বা ওক্সফোর্দ দিক্সনারি শীজিন্নখি। মথং তারকপদা হিদংময়ূম দ্বিজমনি দেব শর্ম্মনা ইংরেজি ৱাহৈবু মণিপুরী লোন্দা হন্দোকপা দিক্সনারি অমা লৈরুদুনা হৌজিক ফাওবা শীজিন্নরি। দিক্সনারি অসিদা ইংরাজিগী ৱাহৈবু মণিপুর লোন্দা হন্দোক্তুনা মীয়াম্বু ইংরাজি ৱাহৈগী ৱাহন্থোক য়াম্না লায়না খঙহল্লি।

ঐখোয়না স্কুল তম্লিঙৈগী মতম কুমজা ১৯৫৭তা হিদংময়ূম দ্বিজমনি দেব শর্ম্মনা ইংরাজিগী ৱাহৈবু মণিপুরী লোন্দা ৱাহন্থোকপা পীবা 'দি এঙ্গলো মণিপুরী দিক্সনারি' ইদুনা ফোঙখিবা অদুদা অহল অসিগী মমিং ঐখোয়না তাখি। মহাক্কী মহৈগী থাক মাষ্টর ওফ আর্ট হায়বদি এম এনি হায়বা খঙখি। অদুবু মণিপুরগী অহানবা এম এনি হায়বদি খঙজখিদে। অহল অসিগী মচানুপা, মচানুপীশিং লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈ অমদি মতিক চাবা লৈঙাক্কী ওফিসরশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা কোলেজগী প্রোফেসর ওইবশিংনি। মহাক্কী মচানুপী অমদি ঐখোয়গা গুৱাহাটি য়ুনিভর্সিটিদা লাইরিক তম্মীন্নে। মহাক য়ুনিভর্সিটি অসিদা ঐখোয়গা তম্মীন্নবা ঐজ্ঞা চাউবা শর্ম্মদা লুহোংই। মদুদা ঐনা অহানবা ওইনা লুহোংবদা মৈ যৈগ্য তৌবা উবা ফংজখি।

মহাক্কী মচানুপা ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সার্ভিস ফংখিবা হৌজিক্লা থবক্তগী পোত্থারবা মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা হিদংময়ূম দেব শেখর শর্ম্মনা মহাক্কী অপোকপনা ইরম্বা 'ঐগী পুন্সিগী নীংশিংবা ৱা খরা' হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমা পীবিরক্তুনা লাইরিক অদু হন্না হন্না পাজরুরবা মতুংদা অহল অসিনা লমদম অসিদা মহৈ-মশিনগী লম্দা চাওখৎনবা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবিরম্বা অমদি মহাক্না হীরম অসিদা হোৎনরম্বগী খুদম চাংদমগা লোয়নননা ইবা ৱারম কয়ামুক য়াওরি। লৈখিদ্রবা অহল অসি কোলকটাদা মহৈ মশিন তম্বা কুমজা ১৯২৭ ফাওবা চৎখি অমদি মথংগী চহীদা মণিপুর লৈঙাক্কী থবক চংখি হায়বা লাইরিক অসিদগী খঙজখি। মতম অদুদা মণিপুর অসি বৃটিশকী মখাদা লৈরবসু চুড়াচান্দ সিংহনা নিংথৌ ওইহল্লি, মহাকপু চুড়াচান্দ মহারাজ হায়নসু খঙনৈ। মহাক্না লৈবাক ঙাকমিন্নবা বৃটিশকী ওফিসরদি পোলিটিকেল এজেন্টনি। পোলিটিকেল এজেন্টতি য়াম্না তোয়না শিল্লি।

লৈখিদ্রবা দ্বিজমনি দেব শর্ম্মনা অসুম্না ইরম্মী মদুদি মণিপুরদা লৈবাক ঙাকপগী মকুপ মতা থবকশিংদা মহারাজনা তৌনীংবদা তৌই, মহারাজনা তৌবা থবক্তা পোলিটিকেল এজেন্টনা য়ানীংদ্রবসু এজেন্টনা য়াম্না হৈশিংনা মখূৎ থিংজিল্লি। অহল অসি মণিপুরগী এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা য়াম্না মরুওইবা ওফিসর অমা ওইহল্লম্মী। অদুবু মতম অদুদা লৈঙাক্লা মহৈ মশিন তম্বগী লম্দা চৎথরিবা থৌওং অদু য়ানীংখিদে। মহাক্না হায়নীংলিবদি "মতম অদুগী লৈঙাক্লা লমদম অসিগী মীওইশিংবু মহৈ মশিন নিংথিনা হৈহনবা পাম্লমদে, মহৈ মশিন পাক চাউনা শন্দোকহনবসু পাম্লমদে। মখোয়বু লাইরিক খরা তমহল্লগা বৃটিশকী ওফিসতা থবক মচা মচা তৌহনবনি।"

পোলিটিকেল এজেন্ট অমসুং মহারাজনা মহৈ মশিন শন্দোকপবু নমথবা পাম্লম্মী হায়না দ্বিজমনি দেব শর্ম্মনা মহাক্কী লাইরিক্তা ইচং থৌনা তশেং তশেংবশিং অদু ইরম্মী। অসিগুম্বা নিংথৌগী অমদি লৈঙাক্কী থৌওং অসিগী মায়োক্তা লৈবাক মীয়াম্না করম্না মায়োক্লিখবগে হায়বসু মহাক্কী লাইরিক্তা পন্দুনা ইরি।

অহল অসিনা য়াম্না নুংঙাইখিদবদি জোনষ্টোন স্কুলদা মতম অদুদা ক্লাস নাইন ফাওবখক্তমক তমহল্লম্মী। ক্লাস টেন হাংদোক্লমদে। ক্লাস টেন তমদুনা পরিক্ষা থানবা গুৱাহটিদা চৎলম্মী। মরম অদুনা মতম অদুদা লায়রবা ইমুংনা মশীং য়াম্বা মরম্না ক্লাস নাইন পাস তৌরবা মহৈরোয় অয়াম্বা মখা তানা ক্লাস টেন তম্বা চৎপা ঙমদদুনা লাইরিক তম্বা তোকখি। অদুবু চহী কয়ামুক্কী মতুংদা স্কুল অসিদা ক্লাস টেন হাপচিল্লকখি।

মণিপুর লৈঙাক্কী মতেংনা জোনষ্টোন স্কুল অসি লীংখৎলবসু লৈঙাক্কী স্কুল ওইনা লৈরমদে। পোলিটিকেল এজেন্টকী লুচিং মখাদা কম্মিটি অমনা স্কুল অসি লৈরম্বনি। কম্মিটিগী ৱারম মহারাজদা থারম্মী, স্কুল অসিবু অশিন অরাং তৌরিবদি পোলিটিকেল এজেন্টনি। খুল্লক্তা নিম্না প্রাইমারি স্কুলশিং লৈ। মদুদগী পরিক্ষা পাস তৌরকপশিংবু জোনষ্টোন স্কুলদা অহুমশুবা তমহল্লি। নিম্না প্রাইমারি স্কুলশিংদগী পরিক্ষা পাস তৌবা মশীং য়াম্লদুনা জোনষ্টোন স্কুলদগী অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা ক্লাস অনী লৌথোকখি। মদুদা থাংমৈবন্দ, মোইরাংখোম অমসুং চীংঙাদা উচ্চ প্রাইমারি স্কুল অহুম লীংখৎলম্মী। স্কুলশিং অদুদা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা ক্লাস তমহল্লি। জোনষ্টোন স্কুলদা মঙাশুবা তমহনবা হৌখি। মহৈরোয়শিং অদু উচ্চ প্রাইমারি পরিক্ষা পাস তৌবশিংনি। মতাং অসিদা লৈখিদ্রবা অহল অসিনা য়াম্না নুংঙাইখিদবদি পরিক্ষা অসি হেক পাস তৌরগা জোনষ্টোন স্কুলদা মমীং চল্লগা লাইরিক মখা তমথগদবনি। অদুবু মহৈরোয় নিফুদগী হেন্না স্কুল অসিদা মমিং চলহন্দে। অতৈ লেমহৌবা মহৈরোয়শিং অদু লাইরিক তম্ফম লৈতদুনা তোকপা তাখি।

দ্বিজমনি দেব শর্ম্মগী মতুংইন্নদি মহৈরোয় ৪০ খক্তমক মমিং চলহল্লবা মতুংদা লেমহৌরিবা মহৈরোয়শিং অদু তম্ফম লৈতবদগী মহৈ তম্বা তোকপা তাখি। মহাক্না হায়খি মদুদি লৈঙাক্কী থৌওং অসিনা তাকপদি, লৈবাক অসিদা মহৈ মশিন তম্বা শন্দোকপদা অথিংবা পীবগী অহানবা খোঙথাংনি। মহৈরোয় ৪০ খনখ্রবা মতুংদা অরেম্বা মহৈরোয়শিং অদু কদায়দা তমহনগনি হায়বগী মফম লৈতে। মীচম মীয়াম্না উচ্চ ইংলিস স্কুল লীংখৎলক্লবা মতুংদদি মদুগা লম্বা তৌদুনা মঙাশুবা ক্লাসকী সেক্সন মশীং হেনগৎলকখি। মদুদা মহারাজনা লৈবাক্কী করিসু তৌবিখিদে। দ্বিজমনি দেব শর্ম্মনা অসুম্না হায়রম্মী মদুদি মহারাজনা নিংথৌ পানবগী হৌনবী মরী-মতা, নক্লবা তিন্নবগী মতুংইন্না লৈবাক্কী থবক হাপ্পী, কেন্দিদেট অদুগী মেরিটকী মতুংইন্না হাপ্পগী কাঙলোন লৈতে।

মহৈরোয় ৪০ খনবা অসিদা মৈতৈ লৈবাক্কী মীয়াম মীৎকপ থোকখি। লৈঙাক্লা তৌরিবা থবক অসি অফবনা করিনো, ফত্তবনা করিনো হায়বা মীয়াম্না খঙনবা হোৎনবা হৌরকখি। মীয়াম্না ৱাখল তাখ্রে, খঙসু খঙখ্রে। কূপ্না য়েংবা হৌদুনা মমিৎ মনা শিংবা হেনগৎখ্রে। অদুনা অহল অসিগী ৱাখলদা স্কুল অমা লীংখৎপা মথৌ তারে হায়না ফাওখি। মরম অদুনা মহাক্না লমদম অসিগী মহৈ মশিন হৈরবা মীওইশিং পূনশিল্লগা লূপ অমা শেমখি। লূপ অদুনা দ্বিজমনি দেব শর্ম্মবু সেক্রেটরি হাপ্তুনা মহাক্কী লিচিং মখাদা মীয়ামদগী শেল খায়দুনা ৱাহেংবম লৈকায়দা লম মচেৎ অমা লৈদুনা মফম অদুদা মণিপুর ইন্সটিট্যুট কৌবা স্কুল অমা লীংখৎখি। মদুদা নিংথৌনা য়েংশিনবা হৌরকখি। মরম অদুনা স্কুল লীংখৎলিবা কম্মিটি অদুনা নিংথৌদা স্কুল অদু মহাক্কী মমীংদা থোনজগে হায়বদা য়াবিরকখি। মতাং অসিদা লৈখিদ্রবা অহল অসিনা অসুম্না ইরি, "ইন্সটিট্যুসন অসি হৌরকপা মতমদা নুংশিবা মীৎয়েংনা য়েংলমদ্রবসু কোন্নথংদদি চুড়াচান্দ মহারাজনা স্কুল অসিবু চানবীদুনা মাগী মীংদা থোনবা য়াখি।"

ঐজ্ঞা অসিনা হায়খিবদি মহৈরোয় ৪০ খন্দুনা জোনষ্টোন স্কুলদা তমহনখিবা অসিনা লৈবাক মীয়াম অসি অচুম্বা করিনো, অরানবা করিনো হায়বা খঙনরকই, মীয়ামগী মীৎ পাঙহনখি। স্কুল অসি লীংখৎখিবা মতমদা মতম অদুদা লাইরিক লাইশু হৈরবা, লৈবাক মীয়াম্বু ফনবা খনবা, খুন্নাইগী থৌগল তৌবা মীওই কয়ামুক চোংথোরকখি। মখোয়গী মরক্তা মমিং পনবা য়াবদি ডাক্তর লৈরেন, মহাক মতম অদুদা 'য়াকাইরোল' কৌবা পাউচে অমা ফোঙলম্মী। পাউচে অদুনা লৈবাক্কী হীরম কয়ামুক্তা নৈনদুনা, ইদুনা ফোঙবদা মীয়ামসি তূমদুনা লৈরম্বদগী মীৎকপ থোরকখি।

স্কুল অসি লীংখৎপা মতমদা লৈবাক মীয়ামশিংদগী শেল অমসুং পাঙ্গলগী মতেং মরাং কায়না ফংখি হায়না অহল অসিনা মহাক্কী লাইরিক্তা ইরি। দ্বিজমনি দেব শর্ম্মনা মহাক্কী লাইরিক অসিদা অসুম্না মখা তানা হায়রি মদুদি স্কুল অসি লীংখৎপা হৌরকপদা মীয়ামগী শেল অমসুং পাঙ্গলগী মতেং মরাং কায়না ফংখি। লৈঙাক্কী থবক তৌবশিং, করবার তৌবশিং অমদি ইনাক কৈরাক খুনবা খক্তা নত্তনা দুকান ফম্বা, লল্লোন ইতিক তৌবশিংসু শেল মরাং কায়না কৎনরকখি। "নোংমা স্কুল কম্মিটিগী মিটিং তৌরিঙৈদা তঙাইফদবা খরচ তৌথোকখ্রবা মতুংদা ওজাশিংগী তোলোপ পীনীংঙাই লৈত্রে হায়না হেদ মাষ্টরনা রিপোর্ট তৌরে, মদুদগী কম্মিটিগী মেম্বর পুম্নমক্না হৌগৎতুনা শেল নিবা চৎখি। খ্বাইরম্বন্দগী দুকানশিংদগী শেল নিবদা তোলোপ য়েনবা ওক্লবা শেল ফংবদা পুং অনীতমক চঙখি। মতৌ অসুম্না মীয়াম্না হৌ হৌ চোংবদগী হৌগৎপা মতমদা স্কুল অসিগী ফীভম য়াম্না ফরমই।" - দ্বিজমনি দেব শর্ম্মা। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## থাদুনা লোইবা নাইররোইদবা নুংশিবা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

নিংথম থাবু য়ৌরক্লবা চহী খরা খরা য়াম্বা অহল ওইবা-ওইবীশিংদি অশি-অনা খরদি শুংশোয় শোয়দনা লাইরমলেন্দ য়ৌনা চৎখিবা মশীং হেন্দৌরিবনি। নিংথম থাগা কালেনগা অনীসিদি নিংথম থানা অশি-অনা খরদি অদুমক হেন্দুনা লাই হাক্তক্তগী কায়দনা লাক্লবনি। তূম্বা-চাবদা নিংথি-নুংঙাই খুদোংচাবা ফংদ্রবা ঈংবদগী নমদনা লায়না লাক্কদৌরিবনি। তৌবগীবুদি চহীবু য়াম্লবা ফজফমদি ইরৈ লৈরক্তবনি। কনা-কনাগুম্বদি অহল ওইরক্লবা-ওইরম্লবী মমা-মপা অনীবু নিংথি নুংঙাই তৌবীদনা পূন্না চাবা য়াবদা তোঙান চাহন্দুনা মমা-মপা অনীদুবু ইন্থোকপা মসিসু অদুমক য়াওদবা নত্তে। মুন্না খল্লুরবদি শোয়দনমক্কী খুলং-লমনদি শোয়দবদা নমদনা লাক্কদৌরিবনি। ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা, মানা তৌবনা মানা ফংবা শোয়দ্রবনি।

মমা-মপা অনীবু কোনশিন্দুনা ঙমজবা থৌগল তৌদুনা ৱাখল নুংঙাইনা লৈহন্নবা হোৎনবীবা মসিগুম্বসি মশীং থিদুনা য়েংবদা পংয়াম য়ামগদবা মান্দ্রবনি। মমা-মপা অনীবু থওই-ৱাওইদনা খল্লগা থাজরিবনি হায়দুনা লাই নীংবা চুররোইদবা ফিদা মচু শঙবগুম থোক্লদবনি। মমা-মপা অনীবু অসুক্কী মতিক লুনা-চান্না তৌরবা, লাই নীংদ্রবসু য়ারবনি। মীৎনা উবা তশেং-তশেংলবা লাই হায়ববু ইমাগা-ইপাগা অনীসিদগী হেনবা অতোপ্পা লাই লৈরমগদবা মান্দ্রবনি। অমগীসু অমগীসু কায়দনবা হায়রগনা মমা-মপাসু লুনা চান্না তৌবা মসিগা লোয়নননা লাইসু নীংবা মসিদি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম্বনি।

মচাগী মমৌনা মকু-মনেমবু থওই-ৱাওইদনা তৌবা মসিদি মচা ওইরিবা মহাক্কী অশোয়বনি হায়বদা কায়দ্রবনি। ময়ূম্বু পাল্লবা ওল্লকপা চহীদা তোঙান অদুমক চাবগী চৎনবী অমা লৈনখৎলকপা মসিদি থিংবদা খরদি ৱানা থোক্লগদবনি। সিনেমা, দ্রামা, শুমাং কুম্মৈ কয়াদা তোইনা অদুমক উরবা থেংনরবনি। মসিগী ৱাফম অসিমা নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ লৈগদবা মাল্লবনি। মমা-মপানা মচা ফাওবা নুংশিবা লৈনরক্ত্রবা মরীনি হায়বগী ৱাতমক ঙাইদৌরিবনি। ঈশিংগী ঈচেলনা লৈরবসু লৈত্রবসু অদুমক নকশিন্নবা ঙমদ্রবা তোর্ব্বান অনীগুম লৈবগী ৱাফমসিমদি উনা উনা নকশিনবগী থৌওং লৈতবা মসিনা তোর্ব্বান অনীগী ওইরবসু মীওইবা ঐখোয়গী ইরক্তদি মসিমা অফবনি হায়না লৌবা য়াবা নত্তে। নকপু নকশিন্দ্রবা নুংশিনবা হায়বা অসিমা ওইনীংঙাই ওইররোই হায়না লৌবদা অচুম্বা হায়বদু ওইরদবনি।

মীওইবা কাঙলূপ্তুগী অসুম অসুম শিথরকপনা নুংশিনবা য়াবদসু নুংশিনরক্তবা মসিনা মরূ হুল্লগা তৌহৈদবা-তাহৈদবা থৌদোক ময়াম অমা থোরকপা থিংবা ঙমদনা লৈখিদৌরি। পোকমিন্নবা মচিন মনাওদি লাইরদুনা ইস্কোল থংনরিবা মীওইদু ফাওবা নুংশিনবগী ৱাখল্লোন লৈনদবদগী খাজিন্নদুনা মশক মশা উনদনা লৈনবা মশীং তানবা নত্তে। য়ামদ্রবদা ফনা নিংথিজনা য়ামখৎলক্লবনি। হিংনবা হিংবসিদা য়াম্না মরূ ওইরিবসি য়ূমথংনবা কৌনদবা, ঙাওনদবা খাজিন্দুনা লৈনবা মসিদি ফজবদি ৱাৎপগুম তৌরবনি। মরমদি মৈহৌ লাংপোক, হুরান চিন্থি তৌরকপদা ভাবোক্তৌনা য়েংবা নত্তনা করিসু লৈরোইদৌরিবনি। ভাবোক ওইনা লৈবসিদি মতাংসিদদি....। করিগী মরমদগী কৌনদ্রিবা, ঙাওনদ্রিবা? ইস্কোলগী লম হেঞ্জিল্লি, হেঞ্জনদে হায়বগী ওইদৌরিব্রা? নুপী অঙাংদা...। অমদি শোয়দনা লৈরবনি।

পুম্নমক অমনা অমবু ৱারৌনদবীদা কাউথোক্লখ্রবা নুংশিনা অরৈ-লৈতা হংনদুনা হিংবগী লম্বীদা নকশিন্ননা মরৈবসিদগী হেন্না অতোপ্পা অমবু লৈরম্লরোই। নকশিন্নরগা কৌনদবা, ঙাওনদবা হায়বসি হিংনবগী লম্বীদা অশোয়বা অমা ওইরবনি হায়না লৌবদা অকায়বা হায়বদুমদি ওইররোই। মালেমসিদা অদুনি অদানি হায়নদুনা ঐগী মাগী খাইনবা, পুম্নমক লাইরৈবাক্তা, তাইবঙপানবদা তৌনরিবা অসিগুম্বা লাইওইরবা থৱায় ময়ামসু তৌরমগদ্রা? তৌরমোইদ্রা? ইশা ইশাগী ৱাখল হায়বদুমা লৈনরিবনিনা হংববু ময়ারবনি।

কৈরোই লৈকায় কৌনদবা, ঙাওনদবা হায়বসি হিংদুনা অসুমক লৈয়ু য়াদবনিনা নোংমদি শোয়দনা অশি লৈবাক্তা চৎপা মসিমা শুংশোয় শোয়দনা লাক্কদৌরবা, লৈগদৌরবা হায়বদুমা ওইরদবনি। কৌনদবা, ঙাওনদবনিনা শিরবা ফাওবা থাঙদোকপীনবা মী লৈতদনা, মথা শাবা অমদি থোক্তনীংঙাই লৈরোই। মচা-মশু খূৎ কল্লবসু হিংলিঙৈগী মতমদদি চা গ্লাস অমা ফাওবা পীথক্লিংদ্রগা শিরবা মতুংদা নুংশিবা শাদুনা তানীংদা তানীংদনা তাবা পিরাং লাইওইখ্রবা থৱায় অদুনা শোয়দনা উরমদৌরিবনি। শিরবা মতুংদা ইমাগী, ইপাগী, ইয়াম্বগীনি হায়দুনা শ্রাদ্বগীদমক পাম্বোম তিংলকপা মসিগুম্বা অসিসু য়াওদবা নত্তে। খঙন-চান্নবদা ৱাপাউ চে ইদুনা তৌবদা থৌদোক নুমিত্তুদা অঙম্বা পোৎয়েং শেল পীরবা পাক্তক্লনা ৱাপাউ চেদা হাপ্পা ময়ামদুগী মনুংদা লাইওইখ্রবা থৱায়দুনা হিংলিঙৈদা নকশিন্ননা অৱা-অনা থিদবমখৈ তুক্কচবা, হঙ্গোইবা খঙদবা মখৈ থৌগল তৌবা খুদিংমক্তি ওইররোইদবনি।

খুয়া-লুখুমদা ফমদুনা অহিং মীংশেল খাঙদুনা অৱা-অনা থিদবমখৈ ইমাগীনি, ইপাগীনি, ইয়াম্বগীনি... মসিগুম্বা থৌওংসি ইয়াম য়াম্লমগদবা মান্দ্রবনি। মীওইবা ওইনা পোক্লগা ইশা ইশাগীতা খন্দুনা মাবু হেক পোকচবা মমা-মপা ফাওবা ৱাওই থওইদদুনা মসিগুম্বসি য়ামশিল্লকপনা পোক্লমদবনা ফগদবা মসিমক মমা মপা ওইবা অনীনা খনবা ফাওবা য়াওদবা নত্তে। তাইবঙপান থাদোকখ্রবা মতুংদা নিঙল্লক্ত্রিদুনা নুংশিরকপা মসিমা লৈতেদা হায়বা য়াররোই। হিংলিঙৈদা নকশিন্নরগা নুংশিনবা মসিদগী হেনবা অতৈ অমা লৈরল্লোই। হিংলিঙৈদা নুংশিনবা মসিনা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়গীদি খ্বাইদগী ফরবনি। হিংলিঙৈদা য়েক্লবা ওইনা খল্লগা শিখ্রবা মতুংদা পিরাং শিন্থবা অখঙবা মীনা পিরাংদুদুম পাম্মুইদা শোয়দনা হায়খিদৌরিবনি। তৌরিবা থৌওংসিদা তিংথম ৱান্থনা নোকপবু য়ারবনি।

**অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল**

MSPDCL
MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED
(3RD FLOOR, NEW DIRECTORATE BUILDING, NEAR 2ND MR GATE. IMPHAL-DIMAPUR ROAD, IMPHAL, MANIPUR–795001, INDIA)

মীয়ামদা খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল, ৮/১১/২০১৯ ইং

No. 3/2015/MSPDCL-COM/RAID/ : মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেট (এম. এস. পি. দি. সি. এল.) না কঞ্জুমরশিংদা নুমিৎ চুপ্পা মৈ ফংহন্নবা হোৎনরি। মসিগীদমক মীয়ামদগী রিভেন্যু মতম চানা খোমগৎপগা লোয়নননা নিয়মগী ৱাংমদা মৈ কোৎপা, মিটরদা মৈ চঙহন্দনা শীজিন্নবা অমদি মিটরগী খোঙজেল তপথহনবনচিংবা থৌওংশিং থিংনবা হোৎনরি। রিভেন্যু চপচানা খোমগৎপা ঙমদবনা কম্পেনিদা শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লি।

ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩ গী সেক্সন ১৩৫ গী মতুং ইন্না মৈ হুরানবা হায়বসি খুদক্তা ফাবা পুনবা য়াবগী মরাল লৈরে হায়না লৌগনি। লোয়নননা জেলদা চহি অহুম ফাদোক তাবা, ফাইন থিবা নৎত্রে হায়রগা অনিমক ফংবসু য়াই। মসিগী মথক্তা ফাগৎলবা মরাল লৈরবা কঞ্জুমরশিং অদুগী মিং, লৈফমনচিংবশিং অদু পাউ-চে, প্রিন্ট/ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়া-নচিংবগী খুত্থাংদা মীয়ামদা খঙহল্লগনি।

কম্পেনি অসিনা চাং নাইনা তৌজরিবা থবকশিং অদুদি – রিভেন্যু খোমগৎনবা হোৎনবা, অয়াবা য়াওদনা অমদি নিয়মগী ৱাংমদা মৈ থানবশিং থদৎপা অমদি মৈ কোৎপদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং ফাগৎপনি।

ককথ্রবা মৈ অদু অমুক শমগে হায়রবদি মরি লৈনবা অকক্লবা ওথোরিটিগী অয়াবা চঙই। করিগুম্বা ককথ্রবা মৈ অদু নিয়মগী ৱাংমদা অমুক হন্না শমজিল্লম্বা তারবদি ইলেক্ট্রিসিটি এক্ট ২০০৩, সেক্সন ১৩৫ গী মতুংইন্না চহি ২ (অনি) ফাওবা মৈ পীদবা য়াই।

কম্পেনি অসিনা মীয়ামদা অতৎ অখম লৈতনা মৈ ফঙহন্নবা হোৎনবদা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা কঞ্জুমরশিংনা মতেং পাংবিনবা হায়জরি।

ENERGY IS LIFE
BEE
CONSERVE IT
মৈ মাঙহন্দবা হায়বসি
মৈ পুথোকপগা মান্রে

Sd/-
মেনেজিং দিরেক্টর,
এম এস পি দি সি এল

HL-P/5809/17-22 Nov.

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী শাংলবা নীংতম্বগী পুৱারীদু থূপচিল্লগা 'পার্ট সি ষ্টেট' অমা ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমগী লৈঙাক্তগী নৌনা হৌবা তাখি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী।
(ক) ওক্টোবর ১৫দুগী মমাঙদা ওইরম্বা নীংতম্বা মণিপুরগী ইলেক্তেদ, অহানবা অমসুং অরোইবা চীফ মিনিষ্টরদু কনানো?
(খ) অদুগা ওক্টোবর ১৫দগী ওক্টোবর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী চীফ কম্মিস্নর ওইরম্বা মীশক্তুনা কনানো?

২। "মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি কবি, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।" ৱাফমসি 'পুন্সিদা তাৎ মচাই চন্নফম' হায়বা ৱারেংদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৩। "ঐগী মন্নবা পুন্সিগী অরোইবা অহিং - অনৌবা অয়ূকপু লাকখিদ্রা? অদুবু, অহিংনা নোংঙানবা ঙাইরি।" পরেং অসিনা 'অতিথি অমগী অহিং' কৌবা উপন্যাস অদুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

৪। "চীং নঙ/খূৎ য়াওরুনু/তুমিন্না ফম্মু/লেমজবগী হৌনশা।" পরেংশিং অসিনা অইবী অখোম য়ান্দিবালাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নুংশিদরা য়েংঙু/উচানগী মৈরা/কপ্লিংদরা নঙবু উরগা তোয়না।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।